ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জন্যুৱারী ৩০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৯৯শুবা মশীং

# কোরোনাভাইরসনা মীওই ১০০ হেন্না শিহনখিবা

## মণিপুরদসু মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎফম থোক্লে

চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্স মনুং চনবা ৱুহান সিটিদগী শন্দোরকখিবনি হায়না থাজনরিবা কোরোনাভাইরসনা ইনফেক্সন তৌবগী কনফর্ম তৌরবা কেস ৫০০০ রোম য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে। কদায়দগী কমদৌনা শন্দোরকখিবগে চপ চানা খঙদ্রিবা ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌবা মীওই ২,৮৩৫ লৈরে হায়না হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা নেসনল হেল্থ কম্মিসননা লাউথোকখ্রবা মতুংদা থংনবা নুমীৎতদি চাদা ৬০ রোম হেনগৎলক্তুনা কনফর্ম তৌরবা কেস ৪,৫১৫ য়ৌরকখি। চাইনাগী ৱুহান সিটিদা লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টর ওইরগসু হোং কোং, য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স, টাইৱান, ওষ্ট্রেলিয়া, মকাউ, সিঙ্গাপোর, সাউথ কোরিয়া, মলেসিয়া, জপান, ফ্রান্স, কেনাদা, ভিয়েটনাম, নেপাল, কম্বোদিয়া অমদি জর্মনিনচিংবা মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কনফর্ম তৌরবা কেস থেংনরে। ইন্দিয়াগী ওইনসু পঞ্জাবতা কোরোনাভাইরসকী চিংনবা কেস ১৬ অমদি হরিয়ানাদনা কেস ৫ থেংনরে। হুবৈ প্রোভিন্স মনুং চনবা ৱুহান সিটিদগী শন্দোরকই হায়বগীদমক মীয়াম্না "ৱুহান কোরোনাভাইরস" হায়না খঙনরবা লাইচৎ অসিনা শোকহল্লে হায়না চাইনীজ ওফিসলশিংনা ক্লেম তৌরিবা মশীং অসিদগী কা-হেন্না ৱাংলম্বা য়াই হায়না থাজনরি। চাইনীজ গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অদুগী মীওই ২,৮৩৫ রোম কোরোনাভাইরসনা ইনফেক্ট তৌরে হায়না ফোঙদোকচরগসু নেসনল য়ুনিভর্সিটি ওফ হোং কোংনদি কনফর্ম তৌরবা কেস ৪৩,৫৯০ হেন্না লৈরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি। চাইনাগী মেগা সিটি চোংকিং খক্তদা নুমীৎ খুদিংগী অনৌবা কেস ১,৫০,০০০ রোম হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু য়ুনিভর্সিটি ওফ হোং কোংগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। লাইচৎ অসি কদায়দগী কমদৌনা শন্দোরকখিবগে হায়বগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, "ৱুহান ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি"দা মতম শাংনা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা ষ্টদি চথদুনা লাকখি। সাইন্টিষ্টশিংনা ষ্টদি চথবদা শোয়বদগী ভাইরস খরা নাম্থোকখ্রগা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা লায়না অসি মীওইবদা মথং-মথং শন্দোরকপা ওইরম্বা য়াই হায়রি। করিগুম্বা রিপোর্ট অসিনা চুম্লম্বা তারবদি চাইনাগী রিছর্স সেন্টর অমদগী ভাইরস নাম্থোকখ্রগা তমথীবা লায়না শন্দোরকপা হন্দক্না অহানবা নৎতে। কুমজা ২০০৪গী মার্চতা চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিদগী সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সারস) ভাইরস নাম্থোকখ্রগা মীওই ৯দা ইনফেক্ট তৌখি হায়রি। চাইনাদা হৌজিক কোরোনাভাইরস শন্দোরক্তুনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদসু য়ৌরক্লিবসি মমাঙগী সারস ভাইরস শন্দোরকখিবগী থৌওং অদুগা মান্নরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। চাইনীজ ওথোরিটিশিংনা ৱুহানগী সীফূদ মার্কেট অমদগী কোরোনাভাইরস শন্দোরকখিবনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা ফীভম লাকশিন্নবা দোলর বিলিয়ন ৯ কাইথোকখ্রবসু "দি লেন্সেট মেদিকেল জর্নেল"গী রিপোর্ট অমনদি ৱুহান কোরোনাভাইরস (২০১৯-এন সী ও ভি)গা সীফূদ মার্কেটকা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

অনৌবা লাইচৎ অমা শন্দোরক্লিবসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, কোরোনাভাইরস হায়বসি মীওইবগী নাতোন, সাইনস নৎত্রগা মথক থংবা খনাউগী শরুক্তা ইনফেক্সন থোকহনবা কম্মন ভাইরস মখল অমনি। কোরোনাভাইরস মখল অয়াম্বা থোইদোক্লা খূদোংথীনিংঙাই ওইদ্রবসু মখল খরদি কা-হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইবা মরম্না মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা য়াই। কুমজা ২০১২দা অহানবা ওইনা সাউদি অরাবিয়াদা শন্দোরক্লগা মথং-মথং মিদল ইষ্ট, অফ্রিকা, এসিয়া অমদি য়ুরোপ য়ৌরক্তুনা মীওই ৮৫৮ লোম শিহনখিবা মিদল ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এম ঈ আর এস)সু কোরোনাভাইরস মখল অমনা থোকহনবনি। কুমজা ২০০৩দনা কোরোনাভাইরসকী অতোপ্পা মখল অমা ওইরিবা সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সারস) শন্দোরকপদা মীওই ৭৭৪ রোম শিখিবনি। কুমজা ২০১৫দা অমুক হন্না কোরিয়াদা এম ঈ আর এস শন্দোরকখ্রবা মতুংদা মখা তানা মালেমগী মফম অমত্তদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী রিপোর্ট লৈখিদে। অদুবু চৎলিবা থা অসিগী হৌগৎলকপদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না চাইনাদা "২০১৯ নোভেল কোরোনাভাইরস (২০১৯-এন সী ও ভি)" কৌবা খ্বাইদগী নৌবা মখলগী কোরোনাভাইরস অমা থেংনরকখি। তশেংবদি কুমজা ১৯৬০গী পরিংদা সাইন্টিষ্টশিংনা অহানবা ওইনা কোরোনাভাইরসশিং থেংনরকখিবনি। কদায়দগী কমদৌনা থোরকপনো হায়বা চপ চানা খঙদ্রিবা ভাইরস অসি ক্রাউন মওং মাল্লি হায়বগীদমক "কোরোনাভাইরস" হায়না খঙনবনি। অখঙ-অহৈশিংনা হায়, কোরোনাভাইরসকী লাইওং অয়াম্বা অতৈ অতোপ্পা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সনশিংগা মান্নে। খরদং পল্লবদা নাতোন মহী চেনবা, লোক খূবা, খনাউ নাবা, অমসুং লাইহৌ হৌবনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা মীওই অমা লোক থুংবা, খনাউ নাবা, নাতোন মহী চেনবা নৎত্রগা লাইহৌ হৌরকপা মতমদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সননি হায়না লৌবা লানগনি। লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌদ্রিবমখৈদি চপ চানা খঙবা ঙমদে। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী চাং খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরকপদগী ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা মরু ওইবা এয়রপোর্ট ২০দা পেসেঞ্জরশিং স্ক্রিনিং তৌনবা অমসুং অনৌবা লেবোরেটরি কয়া হাংদোক্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হান্নদি চাইনাদগী থুংলখিবা পেসেঞ্জরশিং মুম্বাই, দিল্লি, কোলকটা, চেন্নাই, বেঙ্গলুরু অমসুং কোচিগী এয়রপোর্ট খক্তদা স্ক্রিনিং তৌরম্বনি। হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের ডা. হর্শ বর্ধননা অৱাংবা থাক্কী রিভিয়ু মীটিং অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা লেবোরেটরি ১০দা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। লোয়নননা ষ্টেট খূদিংমক্কী চীফ মিনিষ্টরশিংদা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। অমরোমদা চাইনাগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মহৈ তম্লিবা ইন্দিয়াগী মহৈরোয়শিং হোন্দোরক্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলে। চাইনাদা এম বি বি এস তম্লিবা মণিপুরগী মহৈরোয় কয়াসু হন্নরক্লে হায়বা রিপোর্ট লৈখ্রে। ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং পুন্নমক মতম চানা লৌখৎহৌদ্রবদি লায়েংনবগী পান্থে লৈত্রিবা লায়না অসিনা ষ্টেটসিগী মীওই কয়া শিহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২

১। চুড়াচান্দ মহারাজনা চহী ২০ শুরদুনা ১৯০৭কী মে ৫দা বৃটিশনা লৈঙাক শিন্নরে। মীওই ৮না শাবা দরবার অমা শেম্লে।

(ক) দরবার অসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট অদু সাহেব অমনা ওইদবা য়াদে। অদুনা অহানবা ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইখিবা সাহেবতু কনানো?

(খ) অনৌবা লৈঙাক অদুনা চীংদনা ভিলেজ চীফ কয়া হাপখ্রে। অদুগী মথক্তা লৈঙাক্কী পাউ, সম্মন্নচিংবা পুথোক পুশিন পিওনগী ফম কয়াসু হাপখ্রে। ফম অদু করি কৌবগে?

২। "পুল্লপ পুল্লপ মকোক চূংশিন্নৈ/উনরগা মখূৎকাসু শোক্লৈ/ শোরোক লমজাউদা/চরূগী মী ময়াম।" পরেংশিং অসি 'চরূগী মী' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অদু কনানো?

৩। "ঐদি ইচম চম্বনি/ঐগী হায়বু/হৈরাং অনীখক য়াওরক্লি/মসিদি নচাশিংগীনি।" পরেং মরি অসিনা 'লাই অমসুং লাইয়েকপা' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবদু কনানো?

৪। "চহী কয়ামা নঙনা ঐবু/হিংনা হিংনা অশিবগুম লৈহনখি/হৌজিক্তি নঙনা অমুক ওইরে।" পরেং অহুম অসিনা 'অশাবা ভূট' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবীদু কনানো?

৫। "য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না/মীৎকা মীৎকা চানবা।" পরেং অনী অসিনা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অকনবা বেঙ্ক ষ্ট্রাইক অমগী অহৌবা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**




ইন্দিয়াদা লৈরিবা নেসনেলাইজ বেঙ্ক পুন্নমক, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া য়াওনা, হয়েং অমসুং হংচিৎ (জন্যুৱারী ৩১, ফেব্রুৱারি ১, ২০২০) থবক লেপ্পকী ষ্ট্রাইক খোঙজং চঙশিনগদৌরি। নুমিৎ নিনিখকসিগী নত্তে, ষ্ট্রাইক এক্সন চঙশিল্লগনি হায়না বেঙ্ক য়ুয়িন মাপনগী অপুনবা বোদি (অমব্রেলা) অমা ওইরিবা 'য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স'কী কনভেনর এস কে বন্দিসনা মিনিষ্ট্রি ওপ লেবরগী চীফ লেবর কম্মিস্নরদা ষ্ট্রাইক নোটিস পীশিনবদা, ফেজ অহুম থোক্না চঙশিনগদৌরিবা ষ্ট্রাইকসিগী প্রোগ্রাম য়াৎলগা পীখ্রবনি। অহানবা ফেজ'সিগী মথংদা অনীশুবা ফেজ ওইনা নুমিৎ হুম্নিগী ষ্ট্রাইক (মার্চ ১১, ১২ অমসুং ১৩)। মথংদা, ষ্ট্রাইক ফেজ অনীসিগী তুংদসু গভর্নমেন্টকী থওই-ৱাওইদবা এক্তিচ্যুট অসি অসুম মখা চথরক্লবদি এপ্রিল ১, ২০২০ দগী মতম কক্তবা (ইন্দেফিনিট) থবক লেপ্পা (সীজ ৱর্ক) ষ্ট্রাইক। বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রিদা ইন্দেফিনিট সীজ ৱর্ক ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি হায়বা ফিরেপ, মদুসু ওল ইন্দিয়া লেবেলদা, লৌবা হায়বসি, মাঙলমচত্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক্নি। মমাংঙৈ, বেঙ্ক নেসনেলাইজেসনগী ৱাখল পোক্ত্রিঙৈ, বেঙ্ক মেনেজমেন্ট অমদি ইমপ্লোয়ীশিং নাকল নাকল ফমিন্নদুনা ৱারী শাদুনা সর্ভিস কন্দিসন অমদি সেলেরিনচিংবা লেপ্পবা, বাইপার্টাইট কলচর লাক্ত্রিঙৈ, বেঙ্কশিংগী মপুনা ইমপ্লোয়ীশিংবু য়ুমদা লোইবা মীনায়গুম্না খন্নরিঙৈ মতমদুদা নোংচুপ বেঙ্গলদা অমুকখক থোকখি। ষ্ট্রাইক য়াওবা ইমপ্লোয়ীশিং পুল্লপ থবক লৌথোকখি। মেনেজমেন্টকী ৱারেপ অদু শীংনদুনা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎখি। ইমপ্লোয়ীশিংগী লুচিংবা 'প্রভাত কর' মশামক্না কেস মায়োক্নখি। কেসতুসু ঙমখি মহাক্না। অতৈ কর্ম্মচারিশিংবু থবক হঞ্জিনহল্লগা মহাক্তি অমুক হন্না থবক চঙলকখিদে। বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংগী হক তানবা অমদি কনবদা মপুন্সি কথোকখি।

অদুগুম্বা মতমদু নত্তে হৌজিক্তি। বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী অমসুং ওফিসরশিং, মশাবু শিন্মী অমনি খঞ্জবা ঙমদ্রবা, গভর্নমেন্টকী থবক তৌরিবা অমগুম খনবা ঙাক্তনি। ব্যুরোক্রেট মাইন্দ সেত অদুনি। লেবর লোনা পুল্লিবা লেবর অমমমনি কাউথোকই। মখোয়গী নোংমগী খুৎশুমল, সুদ্রবদি ফংলোই কাউথোকই। থা-থাগী খুৎশুমল, মখোয়গী মীহুৎশিংদুগা, মপু ওইবা মেনেজমেন্টকা মন্তিক্নুনা ৱারী শানরগা লেপ্লিবনি হায়বদুফাও কাউথোকই। চহী মঙা খুদিংগী, মরন্নাই হেনগৎচরক্লগদবা খুৎশুমলনি খঞ্জবা ইমপ্লোয়ী মশিংনা হেনগৎলক, ইমপ্লোয়ী/ওফিসরশিংগী য়ুনিয়ন মপাঙ্গল শোন্থরকই লীংজেল মান্নবা ঙম্লক্তে। অশোনবা অদু খঙই লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইরিবা, বেঙ্কশিংগী মকোক থোংবা মপুনা। কুমজা ২০১৭, নবেম্বর ১ দগী হেনগৎফম থোক্লবা খুৎশুমল, থমলি - ঙসি ফাওবা হেনগত্তনা। হায়রম্মি-পীরিবসি হেনমল্লে, হেনগৎপগী মথৌ তাদে। হৌজিক্তি, অনৌবা ইমপ্লোয়ী/ওফিসরশিং খঙলম্লনি - বেঙ্কশিংদা য়ুনিয়ন কয়ামুক মথৌ তাবনো?

হয়েংদগী হৌদৌরিবা ফেজ অহুমগী বেঙ্ক ষ্ট্রাইকসি কয়ামুক মরু ওইবনো ! থেঙলবসু থেঙনা খঙলকপগুম তৌই লৈঙাকসু - ষ্ট্রাইকসিনা নেসনল ইকোনোমিদা কয়ামুক চাওনা পীগদৌরিবা ইমপেক্টনো ? মনা কনবা এক্তিচ্যুদ অদু হেংদোক্তুনা, চীফ লেবর কম্মিসনরনা খুৎ থিংজিন্দুনা ষ্ট্রাইক তোকহন্নবা হোৎনবদা মায় পাক্লক্ত্রবদা, বেঙ্কশিংগী মেনেজমেন্ট মহুৎ শীন্দুনা য়ুনিয়নগা ৱারী শান্নরিবা 'ইন্দিয়ন বেঙ্ক এসোসিএসননা ইনিসিয়েট তৌরক্তুনা ঙসি য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা মুম্বাইদা ফমিন্নদুনা ৱারী শানগদৌরি।

'য়ু এফ বি য়ু'গী লিদরশিংনা থাজে - শানগদৌরিবা ৱীসিনা কান্নবা করিসু পুরক্লোই, হান্নগুম হামু হামু মখোয়গী ফিরেপ অদু হোংদনা য়ানবা পুরকসি হায়রক্কনি, ১২.২৫% দগী হেন্না হেনগৎপা ওইথোক্লরোই।

ঙসিগী ৱারেং অসিদা করিগী বেঙ্ক ষ্ট্রাইক্কী মরমদা ইনিংলুরিবনো? হংবীনিংলমগনি। ৱারেংসিনা মীয়ামদা করি পাউজেলনো পীদৌরিবা ? বেঙ্ক ইমপ্লোয়ী অমদি ওফিসরশিংনা মখোয়গী তলব হেনগৎহল্লু হায়বা দাবীদা ষ্ট্রাইক তৌরগা, মখোয়গী মপাউ তমদুনা তাঙলবা 'কোল্লম' অসিগী স্পেস মাঙহল্লিবা করিগীনো হংখি, হংলকখি মমাংদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রাইকশিংদা ইরুবদা।

কুমজা ২০০৮, গ্লোবেল মেন্টদাউন হায়না খঙনবা ইকোনোমিক ক্রাইসিস অদুনা ইন্দিয়ন ইকোনোমি শোকখিদবা, ইন্দিয়ন বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রিনা নেসনেলাইজ সেক্তরদা লৈরম্বননি - হায়নখিবা, অসুক মরু ওইখ্রবা সেক্তর অসিবু ঐখোয়না করিগী মীরাইদৌরিবা ? মখোয়গী প্রোব্লেক, ঐখোয়না করিগী খঙবীরোইদৌরিবা ? মখোয়না ষ্ট্রাইক তৌরিবা, মখোয়গী খুৎশুমলগা ওন্নরগনি। নিনি তৌরে নিনিগী, হুম্নি তৌরে হুম্নিগী খুৎশুমলদু মাঙলগনি মখোয়না চঙশিল্লিবা ষ্ট্রাইক খোঙজংদুনা। অতৈ গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা 'পে কম্মিসন রিকম্মেন্দেসন চৎনহল্লু' হায়বা দিমান্দদা থা তরুক থবক লেপ্লসু পুং অমগী খুৎশুমল মাঙদবা ষ্ট্রাইক্তুগা চাংদম্ননা য়েংফরোই। ইন্দেফিনিট ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি, খুৎশুমল শুকপী পীদ্রবসু য়ারে, থবক লৌথোক্কে লৌথোকপিরো হায়বা ফিরেপ অমা বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংনা লৌরক্লিবা ফিরেপসি করিগীনো ? ঐখোয় প্রজা মীয়াম্নসু খন্থবা মরম চাই। ঐখোয় চৎসি হংলুসি - কষ্টমর অমা হায়বসি বেঙ্ক বিল্ডিং/ওফিস অমদা চঙলকপা খ্বাইদগী মরু ওইবা অতিথি অমনি হায়রগা, অতিথিশিংদা করিগী খুদোংচাদবা থোকহন্দৌরিবনো ? মখোয়না হায়, বেঙ্ক ষ্ট্রাইক হায়বসে বেঙ্ক হোলিদে নত্তে। মখোয় শোয়দনা লাক্কনি। পেন্দবা খোল্লাউ লাউররনি। মখোয়গী খোল্লাউ ময়ামদু, খনগুমসি মখোয়গী মরন্নাই পেন্দবগী ওইরম্লোই। তাসি ঐখোয়সু য়াওরুসি। মরমদি বেঙ্ক হায়বসি নেসনসিগী ইকোনোমিগী য়াঙলেন শরূনি। য়াঙলেন শরূসি তেক্তুনা তুখিবদা ঐখোয় য়াওগনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১০৩

**উসম ধনঞ্জয়**

**সেপ্টেম্বর ২১, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক্তা মীওই অনী - নহা ওইরিবী টি ঐচ রবিনা অমসুং হান্না অন্দরগ্রাউন্দদা লৈরম্বা সী ঐচ সঞ্জিৎ অনীগী পুন্সি লোমখিবা অমসুং মীওই ৫ অশোক অপন নংখিবা থৌদোক্না মরী লৈননা মীওই অমগী ইনক্বারি কম্মিসন - থবক্তগী পোথারবা জষ্টিশ পি জি অগরৱালগী কম্মিসনগীদা এফিদেভিট পীশিল্লকপা অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা ঙসি এফিদেভিট অমত্তা পীশিল্লকখিদ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা এফিদেভিট পীশিল্লকপা য়াবগী তারিখ অসি ওক্টোবর ৮ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

জষ্টিশ পি জি অগরৱাল (রিটয়ার্দ) অসি ঙসি ইম্ফালদা থুংলবনি। ষ্টেট লৈঙাক্তগী খঙহল্লকপা মতুংইন্নদি সেপ্টেম্বর ১৮গী মনুংদা এফিদেভিট অসি পীশিল্লগদবনি অদুবু কম্মিসন্না ঙসি তাং ২১ সেপ্টেম্বর ফাওবা পীশিন্নবা হায়খিবনি।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না মাগী ইনক্বারি অসিদা মতেং পাংবীয়ু অমসুং লৈখিদ্রবা অমসুং অশোকপা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা নোটিশ অমুক হন্না পীগনি। মণিপুর লৈঙাক্না কম্মিসন অসি ওগষ্ট ২১দা শেমখিবনি।

**সেপ্টেম্বর ২১, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক অদুবু য়ানীংদদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা অপূনবা লূপকী লুচিংবা মরি ওগষ্ট ৪দা মণিপুর পুলিসনা ফাখিবা অমসুং ওগষ্ট ১০দা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা এন এস এদা দিটেন্দ তৌখিবা অদু এন এস এ এদভাইজরি বোর্দনা কনফর্ম তৌখ্রে হায়।

মীয়াম্নদি মখোয় মরি থাদোকউ অমসুং ও ইবোবী চীফ মিনিষ্টর ওইবা তোক্কদবনি হায়দুনা দাবী তৌদুনা লাক্লিবনি। এন এস এগী এদভাইজরি বোর্দ অদু জষ্টিশ রাজ খোৱাগী চ্যেরমেনশিপ্তা কনফার্ম তৌখিবনি। সেপ্টেম্বর ১৭তগী ১৯ ফাওবা হিয়ারিং চথখিবনি। মখোয় মরি অদুদি নিপকোগী প্রসিদেন্ট করাম সুনিল, অমুকোগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ফুরাইলাৎপম দেবান, অমুকোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি দয়ানন্দ চোংথাম অমসুং অমুকোগী মেম্বর অমসুং অপূনবা লূপকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি থৌনাওজম সুজিৎনি। অপূনবা লূপকী মীওই ৪ অসিগা লোয়নননা মীওই ১৮সু কনফার্ম তৌখি হায়।

**সেপ্টেম্বর ২১, ২০০৯ :** অপূনবা লূপনা সেপ্টেম্বর ২২দগী ২৪ ফাওবা নুমিদাংগী পুং ৭ তা ওর্গনাইজেসন ২২গী মতেংনা মৈরাগী রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি হায়রি। জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক্তুগা মরী লৈনবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমসুং গভর্ণরনা মখোয়গী ৱা তাবীদে হায়দুনা ফোঙদোক্লদুনা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপনা সী এম অসি মাগী বঙ্গলোদগী চিংথবা নত্তনা অতৈ অমা তৌনীংঙাই লৈতে হায়।

অপূনবা লূপকী চেরোল অদুনা কাদা, পি দি এ, মাইনর এরিগেসন, ফ্লদ কন্ত্রোল অমসুং পি দব্লিয়ু দিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং খুদক্তা লেপ্পীনবা হায়জখি। নেসনল হায়দ্রো ইলেক্ত্রিক পৱার কোর্পোরেসন্না ষ্টেটকী ৱাংমদা মৈ পীবসু তোক্লবা হায়খি।

অপূনবা লূপনা ষ্টেটকী স্পোর্টস পার্সনশিংনসু খোঙজং অসি য়াওবীয়ু হায়খি।

কোংগ্রেস এম এল এশিং অমসুং ৱার্করশিংনসু ইবোবীবু সপোর্ট তৌবা লেপ্পবা হায়খি। লোয়নননা কোংগ্রেস ওফিসশিং ছো লোনশিন্নবা হায়খি।

**সেপ্টেম্বর ২১, ২০০৯ :** মহৈরোয়শিংগী লূপ অহুম ওল মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এম এস এফ), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএসন (কে এস এ) না নেসনল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) অমসুং ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এ আই এস এফ) তা ইবোবীবু ফম থাদোক্নবা চংশিল্লিবা খোঙজংদা অপনবা পীদনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

**সেপ্টেম্বর ২২, ২০০৯ :** অন্দরগ্রাউন্দনি চিংনবা মীওই মরি তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা হাৎখ্রে। অনী অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা খোইদুম পাৎতা হাৎখিবনি অদুগা অতোপ্পা অনী অদুনা কে সী পি (এম সী) ওইরম্বা য়াই হায়, মশক খঙদবশিংনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

পুলিসনা হায়, প্রিপাক্কী কেদর ওইরমগনি হায়বা মীওই অনী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংনা খোইদুম পাৎতা থিবা হুম্বা চথবদা ঙসি অয়ূক পুং ১১.১৫ তাবদা হাৎখিবনি। চাইনানা শাবা পিষ্টোল অনী লৈখিদ্রবা মখোয় অনীদগী ফংখি। লৈখিদ্রবা মখোয় অনী অদুদি হুইদ্রোম ইমু (৩৫), সেকমাইজিন খুনৌ লিটান মথক্তগী তোম্বগী মচানুপা অমসুং শামুলাইলাৎপম তোম্বী (৩৫) সেকমাইজিন খুনৌ লাই মখাদগী খোংনেমগী মচানুপানি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সেনিয়র এস পি কে খোংজাইগী চেরোল অমনা হায় মদুদি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস কম্মান্দোশিংনা প্রিপাক্কী লালহৌবশিংনা সেকমাইজিন খুনৌদা চংজফম লৌদুনা লৈরে, মখোয়না আসন্না য়াদবা থবক খরা তৌগদৌরি হায়বা অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী মফমদুদা চঙশিনবনি।

অয়ূক্কী পুং ১১.১৫ তাবদা কম্মান্দোশিংনা ওপরেসন চথবদা প্রিপাক্কী কেদরশিং ওইরমগনি চিংনবা মখোয় ৪/৫ রোম্না য়ূম অমদগী খোইদুম পাৎ লোমদা চেনখি, ঙা য়োকফম ফর্ম অমদা লোৎলগা কম্মান্দোশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখি। কম্মান্দোশিংনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। মিনট ৫/৬ লোম কাপ্নরবা মতুংদা মখোয় অনী হাৎখি। অতৈ অদুদি খোইদুম পাৎ লোমদা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। থিবা হুম্বা মখা চথবদা ফোরেন্দা শাবা পিষ্টোল অনী ফংখি হায়। লৈখিদ্রবা মখোয় অনীদগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরূ রাউন্দ অহুমসু ফংখি হায়। পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে, অশিবা মশা অনীদু লিলোংগী মোরচুৱারিদা লৈরি।

পুলিসনা নোংমৈনা পানবা অশিবা মশা অনী অমগসু নোংগ্রেন খুনগী চীংখোংদা, লমলাই পুলিস ষ্টেসন্দগী খা নোংচুপ্তা কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা ফংখি। কে সী পি (এম সী) ওইরমগনি থাজনরি। ঙসি অয়ূক ফংখিবনি।

মখোয় ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা মশক খঙদবা মীওই খরনা কাপ্লগা হাৎলম্বনি হায়। মীওই অনী অদু ঙসি মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। অমনা লাইথাংবম রেঙান এলিয়জ তোমপোক (৩০), এল বিহারিগী মচানুপা, চীংনুংখোক মমাঙ লৈকায়, অতোপ্পা অমদুনা শুরৈশং এলিয়জ অশাং (২৬) লৈখিদ্রবা দাইদাশকী মচানুপা তুংকোই খুলদগীনি।

রেঙাননা মাগী নুপী, মচানুপা অমগা হুন্দোক্লম্মী হায়। মহাক চহী অনীরোমগী মমাঙদা কে সী পি (এম সী) দা জোইন তৌখিবনি হায়। মখোয়গী ইমুং-মনুংনা হায়বদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা অমুক ফারুরে হায়।

শুরৈশংনা হায়রিবা আউটফিট অসিদা চহীমুক্কী মমাঙদা য়াওখিবনি। মাসু নুপী থিরে, মাগী নুপী অমসুং মচানুপী অমা থনম্মী।

ইমুং-মনুংগী মীনা হায়বদা মখোয় অনী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবদা হেপ্পিলেন্দ ভিলেজগী লবজয় তাংখুলগী ময়ূমদা টেলিভিজন য়েংলিঙৈদা মীওই খরনা ফাখিবনি, মখোয় খরদি কোম্বেট দ্রেস শেৎলি হায়। থোঙ থুগাইরগা মীওইশিং অদু চঙলকপনি। মখোয় খরনা তাঙ্খুল লোল ঙাঙই, খরনা নাগামী ঙাঙই, খরনা মৈতৈলোল ঙাঙই। মখোয় অনী পুখ্রি মনাক্তা মতম খরা মখূৎ পুন্দুনা থম্লম্মী। মদুদগী পুখিবগা খুঞ্জাশিংনা নোংগ্রেস খুনলোমদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি হায়। অশিবা মশা ফংফম অদুদগী পুলিসনা এম রাইফলসকী অহাংবা কেশেশ ৫ ফংখি হায়।

**সেপ্টেম্বর ২২, ২০০৯ :** সেন্ট্রেল ইন্টিলিজেন্ট ব্যুরো (এস আই বি) অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্সেস (সী আই এস এফ) না তোঙান তোঙানবা ইম্ফালগী রাজ ভবনগী সেক্যুরিটি প্রোটেক্সন য়েংশিনখি। মসি সেপ্টেম্বর ১৮দা রাজ ভবন কমপেলক্সতা কার বোম অমা লৈরম্বা অদুগী মতুংদনি।

**সেপ্টেম্বর ২১, ২০০৯ :** চীংঙাই সব দিভিজনগী মীয়াম্না ষ্টেট অসিগী নাগালেন্দগা তাইনবা জেসামিগী শরুক্তা বাউন্দরি ঙাক্লবা থবক লৌখৎলি। অদুবু লৈঙাক্লদি মফমসিগী মীয়াম্বু থৌশাবীদে হায়রি।

লৈঙাক্না থৌশাবীদ্রবসু চীংঙাইগী মীয়াম্না নাগালেন্দগা তাইনবা বাউন্দরি অসি ঙাক্লি হায়না রাফৈ কতমনাও লোং (আর কে এল) গী প্রসিদেন্ট তেননোসন ফৈবৈনা হায়রি। হায়রিবা সিভিল ওর্গনাইজেসন অসিনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা পোষ্টর কেম্পেয়্যন চথদুনা সব দিভিজন অসিগী মীয়ামগী অৱাবদু খঙহল্লি।

কুমজা ২০০৮দসু আকাশ ব্রিদস বোর্দরগী খৎনবা লৈখ্রবনি। মদু দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী টিম অমনসু মীয়ামদা খঙহনখ্রবনি হায়। চীংঙাই সব দিভিজন অসি কুমজা ১৯৬৯দা লিংখৎখিবনি। বোদি অসিনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা সেপ্টেম্বর ১৮দা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা মীয়ামগী অৱাবসি খঙহনখ্রবনি। মদুগী কোপি অমসু চীংঙাইগী এম এল এদা পীখ্রবনি।

লৈঙাক্না তাবিদ্রবদি খোঙজং কয়া চংশিনগনি হায়। ওফিসনচিংবা থিংবা য়াই হায়। মীয়ামগী অৱাবা খঙবীবা মফমদুগী মীওই অমা এস দি ও হাপ্পীনবসু মখোয়না হায়রি। ●